## পান্থোইবী শৈথা জগোয়

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩০ (ঐচএনএস): সঙ্গিৎ কলা সঙ্গম খুরাই লমলোং কৈথেলদা লৈবগী অনৌবা ফোক দান্স প্রদক্সন, পান্থোইবী শৈথা জ গোয় উৎপগী থৌরম খুরাই লমলোং কৈথেলদা লৈবা লূপ অসিগী হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা পদ্মশ্রী এস থানিলনা হায়খি, খুরাই মায়কৈদা লৈরিবা সঙ্গিৎ কলা সঙ্গমনা ঙসি ফাওবদা ঐখোয়গী লৈজরক্লবা কলচরগী জ গোয়দা ওইরবসু, পুঙ চোলোমদা ওইরবসু, পালাগী চোলোমদা ওইরবসু ঙসি ফাওবদা য়োকখৎতুনা লাক্লি। মসি য়াম্না মরু ওইবা অমনি। লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবীদ্রবসু লৈরিবা মায়কৈ অসিনা তৎপা লৈতনা ঙসি ফাওবদা চত্থদুনা য়োকখৎপা হায়বসি চাওথোকচনীংঙাইনি। লাই-গুরু, অহল-লমনশিংনা থম্বীরম্বা ঐখোয়গী কলচর অসি লেংবা য়াদে হায়না হোৎনরকপা থৌদাং অসিনা য়োকখৎলিবা ঙাক্তনি হায়খি।

থৌরম অসিদা সঙ্গিৎ কলা সঙ্গমগী প্রসিদেন্ট এন বিরেন্দ্রোনা থৌরম মপু অমসুং রিটাইয়র্দ প্রধান গুরু জে এন এম দি এ অরাম্বম তোম্বীনৌ অমসুং হান্নগী ফাউন্দর মেম্বর সঙ্গিৎ কলা সঙ্গম টি ঐচ ইবোপিশকনা অথোইবা মীথুং ওইখি।

### মণিপুর হোকরস ...

*লামায় ১গী মখা...* এসোসিএসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি এল সুরজিৎকী চেরোল অমনা থৌরম অসিদা মিনিষ্টর ওইনাম লুখোইনা অথোইবা মীথুংলেন ওইরগা এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ৰাংখেম অজিৎনা ময়ায় তাংবল লৌগনি অমসুং দেপ্যুটি স্পিকর কোংখাম রোবিন্দ্রোনা থৌরম মপূং ওইনা শরুক য়াগনি। থৌরমসিদা এসোসিএসনগী মেম্বরশিং অমসুং মীদিয়াগী ইচিন ইনাও পুন্নমক্না মতম চানা লেঙবীরক্নুনা শরুক য়াবীয়ু হায়রি।

### সী এম বঙ্গলো...

*লামায় ১গী মখা...* মুক্নরবা মতুংদা চীফ মিনিষ্টরগা উননবা হায়দুনা কম্মিটিগী জেনরেল সেক্রেটরি বোগেন কৈথেল্লাকপম, প্রসিদেন্ট য়াওনা নাওদালেনখোম্বা, রাসেশ্বরি, আশালতা, লেফটিনেন্ট কর্নেল (রিটাইয়র্দ) এল লোকেন্দ্রো অমসুং এদভাইজর ঐচ জয়েন্তবু পুলিসনা চীফ মিনিষ্টরগী বঙ্গলো তম্না পুখি। অদুবু চীফ মিনিষ্টরদি মহাক্কী বঙ্গলোদা লৈরমদবদগী উনখিদে। অসিগুম্বা থৌওং অসিবু খোঙজং অসিদা শরুক য়াখিবশিংনা পেন্দবা ফোঙদোকখি।

| FOREX (INDIA RUPEES) | |
|---|---|
| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
| Euro | 84.238051 |
| US Dollar | 74.341833 |
| British Pound | 100.397255 |
| Australian Dollar | 54.029955 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.665655 |
| Japanese Yen | 0.646010 |
| Malaysian Ringgit | 17.799904 |
| Singapore Dollar | 54.962219 |
| South Korean Won | 0.062520 |
| Saudi Arabian Riyal | 19.824489 |
| Thai Baht | 2.225152 |

| Spot Gold (24K) Rates/10gm | | | |
|---|---|---|---|
| Chennai | – | Rs | 47769.00 |
| Mumbai | – | Rs | 48600.00 |
| Delhi | – | Rs | 48382.00 |
| Kolkata | – | Rs | 48685.00 |


## GAS NEWS

**IMPHAL LPG SERVICE**
(Home Delivery only) Ujjwala connection available 23-12-2021 Update Gas Card With Fresh personal photo .
New Contact Office No. 6009392991, 9362654114, 03853560556.
Time 8:30 to 12:30 .
Those who haven't received send to whatsApp no.9863624773 their form no1.also available 19kg and 5kg .please don't use other numbers except the notified one. Those Deactivated one submit Aadhar and KYC form for activation.In view of covid19 and curfew booking can be made through IOCL
1. For whtsapp booking type <REFILL#>LPG ID NO. e.g. start from 70000000xxxxx xxx 16 digital. Send to 7588888824.
2.For onlidistributorsne payment use<Indane Oil One app>
It's applicable for all of IOCL. Encourage online payment. Please prepare document i.e. Aadhar accompanied with phone no.and voter ID for Ujjwala connection.For Christmas and New Year special offer is made for our Christian Brothers and sisters for refill send form no. 1 in our noted whatsApp no.

**LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING**
**BOOKING UP TO-12-11-2021,** VALID FROM 08-11-2021,
**STOCK : 613**
HOME DELIVERY ONLY.
CONTACT NOS: 9862836403, 8415050488, 9862283423,
CALL TIME : 7 AM T0 10 AM

**TDK GAS**
**BK. UPTO 21/10/21.**
VF. 18/10/21.
STK.306.HOME DELIVERY ONLY CONTACT NOS. 6909614353/8731992324.
TIMING 9:00 AM TO 3:00 PM.

**MM GAS SERVICE**
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING 8:00 AM TO 12:00 NOON
**BOOKING: BK. UPTO DATE**
FOR ALL IMPHAL-WEST & IMPHAL-EAST 8131942156 (SMS/WHATSAPP)
7085198900 (ENQUIRY)
FOR ALL THANGMEIBAND & LAMPHEL 7628098544, 9089370369, 9774443052
FOR ALL LANGOL AREA 7085977502

**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM: 07/12/2021
**BOOKING UPTO: 09/12/2021**
BOOKING AND ENQUIRY ONLY : 03852444677, 9436280866
TIMING: 7:30 AM to 11:00 AM


## ‘দি রাইজ এন্দ ফোল ওফ মৈত্রবাক মণিপুর এন্দ ইম্পেন্দিং রি-রাইজ’ ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩০ (ঐচএনএস) : সরাংথেম মনাওবী (খোইরানথাবা) না ইবা ‘দি রাইজ এন্দ ফোল ওফ মৈত্রবাক মণিপুর এন্দ ইম্পেন্দিং রি-রাইজ’ হায়বা লাইরিক অরিবা এসেমব্লি ম্যুজিয়ম অমসুং অর্কাইবসকী হোলদা ফোঙবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা এম এল এ পাথৌ লৌরেম্বম রামেশ্বরনা মীথুংলেন অমসুং কলচরেল ফোরমগী প্রসিদেন্ট হুইরেম বিহারিনা থৌরম মপু ওইখি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ডা. মাখোনমনি মোংসাবনা অখন্নবা মীথুং ওইখি।

অইবা সরাংথেম মনাওবীনা হায়খি, ইজরিবা লাইরিক অসিদি চুম্নগী তূমদুনা লৈরবা নহারোলশিং অসি হৌদোকচবনি। মরমদি ঐখোয়গী নোংশাগুন্নবা মথৌনা মরিংজেল লৈখ্রবশিং অসি তূমদুনা লৈবা মতম নৎত্রে অদুনা মখোয়বু হৌগৎনবা হোৎনবা পাউজেল অমনি খল্লগা পীজনীংবদগী ইজবনি। চহী লিশীং ৫/৬কী পুৰারী লৈজরক্লবা লমদমসিগী মৈতৈ ফুরুপ ঙাক্তনি। মণিপুরগী লৈরম্বা লম কয়াসু পীকশিল্লক্লবা মতম ফাওবদা তূমদুনা লৈবা মতম নৎত্রে হায়দুনা হৌদোকচবনি। অদুনা ঙসি ফোঙলিবা লাইরিক অসি মৈতৈ নহারোলদা শিন্নজরে হায়খি।

ডা. মাখোনমনি মোংসাবনা হায়খি, ঙসিগী লাইরিক অসি য়াম্না থৌনা লৈবা অমা ওইনা হৌরকপা অমসুং কখোকপা অদুনা ফোঙবা ঙম্লিবনি। অদুবু অইবা অসি পুৰারী, ৰারী লীবা থিজিনবা থিজিনলোই অমসু নত্তে। অদুবু খূৎশেম য়াওদবা লিটরেচরগী লৈশি লৈথোন য়াওদনা সাহেবশিংনা পাল্লিঙৈ সাহেবশিংগী মমিং, শোক তারিখকা লোয়ননা হায়বা ঙম্বগী থৌনা অদুদা ইবা অমসু ওই হায়খি।

অমরোমদা সলাম তোম্বনা ইবা লাইরিক মুনি (নীংশিং ৰারী) অমসুং মশক খঙদবা পি (শৈরেং) লাইরিক ফোঙবগী থৌরম হিন্দি পরিষদ হোলদা চেংলৈ পব্লিকেসননা শিন্দুনা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা নহারোল সাহিত্য সমিটিগী হান্নগী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর পোলেম নবচন্দ্রনা অথোইবা মীথুং ওইখি। পেত্রিওটিক রাইটরস ফোরমগী হান্নগী প্রসিদেন্ট সৌবাম তোম্বা লুৰাংনা থৌরম মপু অমসুং সাহিত্য একাদেমি এৱার্দি রাজকুমার ভুবনস্নানা অখন্নবা মীথুং ওইখি।

## নুংশি চান্ননা চাওখৎপা লমদম ...

*লামায় ১গী মখা...* লৈমিন্নদুনা চাওখৎপা মণিপুর অমসুং অওনবা অহোংবা ৰাংখৈ এ সী ওইহন্নবা হোৎনবদা থৌদাং লৌমিন্নসি। লাইনীং অমসুং ফুরুপ কাঙলূপকী খেন্নবা থমদনা হোৎনমিন্নসি। ঙসি খুদোল তমজবা অসিসু থম্মোয় শেংনা তমজবা খুদোলনি।

ৰাংখৈ এ সী অসি খ্বাইদগী শোত্থবা মফম অমা ওইনা লাক্লি। লম্বী থোংদা ওইরো, দ্রেনেজ দা ওইরো, থক্লবা ঈশিংদা ওইরো অৰাৎপতনা থল্লিবনি। ঐ ইশানা লৈরিবা মফমসি টোটি ঈশিং তাদবা মফমনি, ঈশিং লৈরগা শীজিন্নরিবনি। মীওইবনা হিংবদা মরু ওইনা চঙলিবা ঈশিং অসি মমাঙদা লৈখিবা এম এল এ নৎত্রগা মিনিষ্টরনা মপূং ফানা ফংনবা পায়খৎপীরমদে। হৌজিক পাইপ তিংলিবা অসিসু সেন্টরগী পি এমগী স্কিমগী মখাদনি। মফমসিদা লৈরিবা মীহুৎ অমত্তনা তৌবা নত্তে। পাইপ তিংলবা ফাওবদা ঈশিং ফংহন্নবা হোৎনবীদে। মসিগীসু মথক্তা মীয়ামগী হক ফাওবা মৎলি, চেঙ পীবদা ওইরবসু ঐগী-ঐগী মীদা খক্তা পীবগী চৎনবীসি লৌথোক্লবা হোৎননবগীদমক্তা থোকচরকপনি। মসিদা ঐগী ওইবদদি এ সী অসিগী ফংফম থোক্লিবশিংগী হকশিং ফংহনবা হায়বা পান্দম্না অহানবা ওইহনগনি।

হৌজিক ৰাংখৈ এ সীদা নহা ওইরবা ভোটরশিংনা মশীং হেল্লি। মখোয়না মহে তম্বা লোইরগা থবক হেক্তা ফংগদবা নত্তে। অদুনা নীংবা থুংদবদগী অরানবা লম্বীদা চঙখিদুনা ক্রাইম কয়া থোকহল্লকপসু য়াই। অদুনা নহাশিংগী চানবা, মশা মশানা পামজবা লম্বী হায়বদি স্পোর্টস ওইরো, কলচর ওইরো লম-লমদুদা চঙশিন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌগনি। লৈঙাক্কী লৈরিবা মহৈশঙশিং অসিসু চাওখৎনবা হোৎনগনি। মসিদা প্রাইভেট স্কুলদা শেল য়াম্না তিংনা তল্লিবা অসিসু লৈঙাক্কী স্কুলনা ফরবদি প্রাইভেট স্কুলদা তম্নিংলরোই। অনা লায়েংদা ওইরবসু, লম্বী থোং ফহন্দুনা চাওখৎনবা হোৎনগনি। ইরমদমসিগী অঙাংশিং অফবা টেলেন্ট লৈবা ঙাক্তনি অদুনা মখোয়দা লৈরিবা টেলেন্টশিং অদুদা শৌগৎপীবা চঙই। অদুনা শোত্থদুনা লৈরিবা ৰাংখৈ এ সী অসি ঐ খক্তনা অওনবা অহোংবা পুরকহনবা ঙম্বা নত্তে, মসি পূম্বা মীয়ামগী খূৎতা লৈবা মরম্না মীয়ান্নসু মতেং পাংবীদুনা থৌদাং লৌবীয়ু হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, লৈঙাক্কী পোলিসি প্রোগ্রাম অমা লাক্লে হায়দুনা লাই নীংফম ওইরিবা চর্চতা ইভিক্সন তৌবা হায়বসি ঐসু নুংঙাইজদে। অদুনা ঐনা ভোট কারবদি মসি ঐগী ওইবা অঙম্বা মতেং পাংজগনি। ঙসি ফাওবদা ৰাংখৈ এ সীগী ওইবা ইস্যু অমত্তা এসেমব্লিদা পুখৎতবা, অৰাৎ-অপাশিং খঙহন্দবা অসিসু খঙহন্নবা থোকচরকপনি। মসিদসু নত্তনা ৰাংখৈ এ সীদা লৈরিবা অহল ওইরবশিংনা লম্বী থোং চিল্লকপা মতমদা মপান থোকপা ঙল্লক্তবা অসিনা মরম ওইরদুনা অহলশিংগী ওইবা পার্ক অমা শেল্লগনি। ঈশিং ঈচাও থোক্লিবা অসিসু থোক্তনবা হোৎনগনি হায়খি।

## নাগালেন্দদা ‘দিষ্টর্বদ এরিয়া’ শাংদোকখ্রে...

*লামায় ১গী মখা...* ওটিং ভিলেজদা লান্মীনা মীচম কয়া হাৎখিবা থৌদোক্কী মতুংদগী ষ্টেট অদুদগী অফস্পা লৌথোক্কদবনি হায়দুনা অকনবা দিমান্দ তৌরক্লিঙৈগী চৈরক্তা থোকখিবনি।

নাগালেন্দদা দিষ্টর্বদ এরিয়া ষ্টেটস মখা শাংথহল্লকপগী মতাংদা এম ঐচ এ, নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া দিভিজননা থা অসিগী ১৬তা ওর্দর অমা থোক্লুনা নাগালেন্দদা থল্লক্লিবা অফস্পা রিভিয়্যু তৌনবা কম্মিটি অমা শেম্লে হায়খি। লোয়ননা নাগালেন্দদা অথিংবা অসি মখা তানা শাংদোকহল্লকপগী মাঙওইননা থা অসিগী ২৩দা ন্যু দেল্লীদা লৈবা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহগী য়ুমদা মহাক্না প্রিসাইদ তৌদুনা নাগালেন্দদা হৌজিক লৈরিবা ফীভমগী মতাংদা খন্নখি। মীটিং অদুদা নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টর নৈফিয়ু রিও অমসুং অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিশ্বা শর্ম্মসু শরুক য়াখি। নাগালেন্দদা দিষ্টর্বদ এরিয়াগী অথিংবা শাংদোকহল্লক্লবসু ষ্টেট অসিগী ফীভম রিভিয়্যু তৌনবগীদমক শেমখিবা কম্মিটি অসিনা থা ৩গী মনুংদা মরী লৈনবা রেকমেন্দেসনশিং পীখৎলক্লগনি হায়রি।

## অনৌবা চহীগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি...

*লামায় ১গী মখা...* চাওখৎপা লমদম অমা ওইরক্লসনু হায়রি।

লোয়ননা য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এফ), মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এন রুপচন্দ্রগী চেরোল অমনসু অনৌবা চহী লাকপদা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরকপগা লোয়ননা চৎলিবা চহী ২০২১দা ঐখোয়গী মীয়াম্না য়েংহৈদবা, তাহৈদবা থৌদোক কয়া থোকখিবা অদু ঐখোয় মীয়ামগী লাইবক থীবনি অদুবু হৌখ্রবশিংদু কাউথোক্লরগা লাক্কদৌরিবা চহী ২০২২না লাকপদা মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ খুদিংমক পূনশিনমিন্নদুনা চাওখৎ লমজেলদা শরুক য়ামিন্নদুনা তংদু লৈতাবা অমসুং অনা অয়েক য়াওদবা মণিপুর খুন্নাই অমা ওইহল্লসি হায়রি।

## হেব্রোনদা মুইভাগী খৃষ্টমাস কুম্মৈগী

*লামায় ১গী মখা...* টি ঐচ মুইভা মশামক্না মৈতৈশিং লাক্কনি হায়বদগী য়াম্না নুংশিনা লাংতক্লবা অমগা লোয়ননা ঙাইদুনা লৈরমখি অমসুং থম্মোয়গী ওইবা মীনুংশিগা লোয়ননা মখল অমত্তগী নুংনাংবা য়াওদনা তরাম্না ওক্লকখি। খৃষ্টমাস মতমদা মী উন্নদে হায়রগসু মীতৈশিং লাক্কনি হায়বদগী এন এস সী এন (আই-এম) গী আর্মি চীফ এন্থোনি নিংখম সিমরেনসু হরাও তয়াম্না ওকপীরদুনা খৃষ্টমাসকী নুংঙাইবা ফোঙদোকমিন্নখি হায়রি।

## এক্ট ইষ্টকী মখাদা মণিপুরনা ‘ফাওনথোঙ’ ওইদুনা চাওখৎপদা মাঙজিল ...

*লামায় ১গী মখা...* পার্টিদি দিভাইদ এন্দ রুলদা হৈনজবা অদুগা তংদু লৈতাবা হায়বদু লৈহনবা হৈতবা পার্টিনি হায়খি। বি জে পিনা ষ্টেবিলিটি অমদি য়ুনিটি লাক্লবগীদমক থবক তৌদুনা লৈ। অদুগা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী লৈঙাক অসিনা চাওখৎ থৌরাংদা মাঙজিল থারগা চৎলিবা লৈঙাকনি হায়খি।

হৌজিক্তি বডজেট খুদিংমক্তা শরুক অনী/অনী ওইরে। চহী মঙাগী মমাঙগী লৈঙাক্তদি বডজেট অসি লুপা ক্রোর ১০,৯০০ ওইরম্মী। অদুবু হৌজিক্তি লুপা ক্রোর ২১,২২৪ ওইরে। ইরিগেসনদা লুপা ক্রোর ১৫৪ খক ওইরম্বদগী হৌজিক্তি লুপা ক্রোর ৩০৩ চাদিং তৌরে। এদ্যুকেসনদনা লুপা ক্রোর ১,৩২৪ ওইরম্বদগী হৌজিক্লা লুপা ক্রোর ২,৫৫৫দা হেনগৎলে হায়খি।

জে পি নদ্দানা মণিপুরগী ওইবা অনৌবা চাওখৎ থৌরাংগী থবক থৌরমশিংগী মতাংদা পল্লদুনা হায়, জিরিবামদগী টুপুল ফাওরগা ইম্ফাল য়ৌনবা রেলৱে লাইন শেম্লি। নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি হৌজিক শাগৎপগী থবক চথুরি। লোয়ননা মল্টি স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী ইনোগ্যুরেসন প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা তৌবীখ্রে। মসি ঐখোয়না মতম চুপ্পদা নীংশিংদুনা লৈসি হায়খি।

বি জে পি নত্তনা অতোপ্পা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মশাগী লম্বী লৈজদবা পার্টিনি। মখোয়গী মথৌ হায়ববু মোদিনা তৌরকপা অমসুং বি জে পিনা তৌরকপা থবক থৌরমশিংবু য়েংশিন্দুনা লৈবনা মখোয়গী মথৌনি হায়খি। বি জে পিদি লৈঙাক মীয়ামগী খনবা, মীয়ামগা চৎমিন্নবা অমসুং মীয়ামগী য়াইফনবা তৌবা পার্টিনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসিগী বি জে পি মণিপুর প্রদেশনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ শর্দা, বি জে পিগী নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগী জোনেল ওর্গনাইজিং সেক্রেটরি অজয় জমৱাল, বি জে পিগী নেসনল স্পোক্সপর্সন ডা. সম্বিট পাত্রা, মণিপুরগী ইলেক্সন কো-ইনচাজ ’সু ওইরিবা অসামগী মিনিষ্টর অশোক সিঙ্ঘল, মিনিষ্টরশিংদা ৱার্ক্স মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বাজিৎ অমসুং এদ্যুকেসন মিনিষ্টর এস রাজেন, রাজ্য সভাগী এম পি লৈশেম্বা সনাজাওবা, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী জেনরেল সেক্রেটরি (ওর্গনাইজেসন) অভে কুমার গিরি, এম এল এশিংদা হিয়াংলমগী ডা. ৰাই রাধেশ্যাম, ককচীংগী এম রামেশ্বর, বি জে পিগী ভাইস প্রসিদেন্ট য়ু দেবেন অমসুং শুগুনু এ সীগী পার্টিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেটশিংসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা ঐখোয়না ভোটকী মতমদা মুন্না খন্থহৌদবা মীহুৎতা ভোট পীবদগী হৌখিবা চহী ৭০গী শাংলবা মতমদা ইমা ইবেল কয়ানা কাং মরক্তা, মৈরা শঙদা লেক্তুনা ইপুরোইবা, ইচা শংদুনা নে তাদনা অমসুং অহিং তূম্বাফংদনা লাকখিবনি। মসিগী মরমদি অফবা মীহুৎ খনবা হৈহৌদবা অমদি অফবা পার্টি খনবা হৈহৌদবগীনি। ঙসিদি বি জে পিগী লৈঙাক লাকপদগী চহী ৪ হেল্লকপা অসিদা ইমা ইবেলশিং ফমুংদা নুংঙাইনা তূম্বা ফংদনা লাকখিবনি। মসিগী মরমদি অফবা মীহুৎ খনবা হৈহৌদবা অমদি অফবা পার্টি খনবা হৈহৌদবগীনি। ঙসিদি বি জে পিগী লৈঙাক লাকপদগী চহী ৪ হেল্লকপসিদা ইমা ইবেলশিং ফমুংদা নুংঙাইনা তূম্বা ফংহল্লে। মিলিটরি মচুগী গাড়ী অমা লাকপদা মীহুন কাংখৎলম্বা অদু ঙসিদি তৌনদ্রে। মসিবুনি অফবা লৈঙাক, অফবা পুন্সি হায়রিবসি হায়খি।

ঙসি জে পি নদ্দা লাকপীদুনা বি জে পিগী লুচিংবা কয়াগা উনররিবা অসি বি জে পি লৈঙাক লাকপদগী তংদু লৈতাবা, চাওখৎপা, ইচে ইচলশিংবু ইকায়খুম্নবগী লৈঙাক অসি চহী মঙাগা অমুক মখা চত্থনবা লাকপীরিবনি। অসিগুম্বসি ঐখোয়না লৌবা হৈহৌদদুনা হান্না মমাঙগী লৈঙাক্কী মতমদা মশক খঙদবা গাড়ী অমা লাকপা মতমদা তূম্বা য়াদবা, ইচা ইশু চৎথোকখিবা মতমদা নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ তারকপা মতমদা হল্লক্ত্রবদি ইখূৎতা লেম্পর্টর্ন পায়দুনা লম্বীদা ঙাইবা, অশ্বাইদা তাহৌরেয়ে, অশ্বাইদা তুরগা লৈরম্মে হায়বগী থবক অদু অমুক হল্লক্কনি। মদু থোক্তনবা বি জে পিদা ভোট পীগদবনি। বি জে পিগী মীরেপ্তা ভোট পীবিয়ু হায়খি।

চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগী লমজিং মখাদা ঙসিদি বি জে পিনা মালেমগী মনুংদা খ্বাইদগী পৰার লৈবা পার্টি অমা ওইরক্লে। জে পি নদ্দাগী লমজিং মখাদা ইন্দিয়া পূম্বদা বি জে পি ঙাক্তগী ঈহৌ লাক্লি। ঐখোয়গী মণিপুরদসু হৌখিবা মীখলদা এম এল এ ২১ খক্তং কাবনিনা লৈঙাকপদা য়াম্না ৰাই। মরম অদুনা কুমজা ২০২২গী মার্চকী অঙনবা চয়োলদা পাঙথোক্লবা য়াই হায়না পানরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখলসিদদি বি জে পি খক্তগী ওইবা তং তাবা লৈঙাক অমা পীবিয়ু হায়নসু মীয়ামদগী ভোটনীখি।

অমরোমদা, জে পি নদ্দাগী ঙসিগী খোঙচৎ অসিগী শরুক অমা ওইনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি ৬তগী লাকপা থৌমীশিং, বি জে ৱাই এমগী থৌমীশিংনা বেসিক লম্পাক ককচীংগী মীটিং পাঙথোকফম ফাওবা মোটোর সাইকল রেল্লি অমা চৎখি। রেল্লি অদু বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্ট মিনাবন্ত অমসুং বি জে পি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট য়ুম্নাম কুমারজিৎনা খোংজোম ৱার মেমোরিএল কমপ্লেক্সকী গেটতগী লমথারকখিবনি।

রেল্লি অদুগা মরী লৈননা বি জে ৱাই এমগী প্রসিদেন্ট বরিসনা হায়খিবদা, লাক্কদৌরিবা জেনরেল ইলেক্সন অসিগা মরী লৈননা বি জে পি নেসনল প্রসিদেন্ট জে পি নদ্দা লাক্তুনা য়ুব মোর্চাগী ওইবা অচৌবা মীটিং অমা ককচীংদা পাঙথোকপসিদা মহাকপু ওকপগা লোয়ননা রেল্লি অসি লমথাবনি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুগী মনুং চন্না জে পি নদ্দানা ইম্ফাল লোমদা হনখিবদা থৌবালগী লম্বীগী মতাইদা হাংবা হোটেল অমদা মীয়ামগা পূন্না চা থকমিন্নখি।

## ৱাখলদা মীমান্নদ্রবী নুপীমচা...

*লামায় ১গী মখা...* হায়রি।

অদুবু মতম কুইনা নুপীমচা অদুনা থৌদোক অদুগী মতাংদা কনামত্তদা হায়দোক্তনা লৈরক্লবা মতুং কুমজা ২০১৬কী সেপ্টেম্বর থাদা মবুক নুংঙাইতে হায়রকপদগী হিয়াংলমগী পি ঐচ সীদা সেপ্টেম্বর ১০, ২০১৬তা মেদিকেল চেক-অপ তৌরুবদা মহাক থা ২ রোমগী অঙাং নাওপুরমখিবনি হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা নুপীমচা অসিগী অপোকপীনা ৱাকৎলকপদগী ককচীং পুলিস ষ্টেসননা প্রোটেক্সন ওফ চিলড্রেন ফ্রোম সেক্স্যুএল ওফেন্স (পোক্সো) এক্ট, ২০১২গী সেক্সন ৬ অমসুং ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ৩৭৬কী মখাদা কেস এফ আই আর নম্বর ৭৫ (৯) ২০১৬ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখি। লোয়ননা কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেসন চথুরবা মতুংদা ৱায়েল চত্থনবগীদমক পুলিসনা থাগৎলকখিবা চার্জশীটকী মতুংইন্না ৱায়েল চথবা হৌরক্লবা মতুংদা কেস অসি ফাষ্ট ত্রেক স্পেসল কোর্ট নম্বর ১, ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্ট অসিদা ত্রান্সফর তৌরকখিবনি।

কোর্ট অসিনা স্পেসল ত্রাইএল কেস নম্বর ২২/২০১৭/৮৩/২০২০ লৌখৎলগা ৱায়েল চথুরকপদা প্রোজিক্যুসনগী মায়কৈদা কোর্ট অসিগী স্পেসল এদিসনেল পি পি, এ গোপেন্দ্রোন লেপখি অদুগা এক্ক্যুজ অহল অসিগী মায়কৈদগী এদভোকেট ঈ অমুজাওনা লেপখি। কোর্ট অসিনা কেস অসিগী ৱায়েল মমাঙ থাগী ৩ অমসুং ২৩ য়াওনা থা অসিগী ৮দা পাঙথোক্লবা মতুংদা কেস অসিগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দরনা থা অসিগী ২৭তা লাউথোক্লদুনা হুইদ্রোম জিলা হায়রিবা অহল অসি থৌদোক অসিগা মরী লৈননা মরাল লৈরে হায়দুনা কনভিক্সন পীখি। লোয়ননা ঙসি লাউথোকখিবা মহাক্কী ওর্দর ওন সেন্টেন্সকী মতুংইন্না মহাক মরালগী মতুংইন্না চহী ৭ ফাদোক পীখিবগা লোয়ননা লুপা লিশীং ১০গী শেনফম ফাইন ওইনা থিননবা খঙহনখি। করিগুম্বা ফাইনগী শেনফম অসি মহাক্না পীবা ঙমদ্রবদি মহাক্কী ফাদোক্কী মতম থা ৩ শাংদোক্কনি হায়রি। লোয়ননা সেপ্টেম্বর ১৪, ২০১৬তগী জেলদা মহাক্না লৈরকখিবা মতমশিং অদু মহাক্কী ফাদোক্কী মতম অসিদগী ককথগনি হায়রি।

## চহী কয়াদগী খুন্দ্রাকপমগী মীয়াম্না ফংদনা লাকপা রাইটশিং ফংহনগনি ...

*লামায় ১গী মখা...* তৌহন্নিংই। পোলিটিসিয়নশিংনা থবক তৌরিবসি মীয়ামগীনেদি হায়রগা মপুং ফানা ফজনা থবক তৌবা হায়বদুদি ওইদ্রে। কোওপরেটিভ দিপার্টমেন্টদা রেজিষ্টার তৌরগা লৈরিবা ওর্গনাইজেসনগী মশিং ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংগী মনুংদা অপিকপা ষ্টেট অমা ওইরিবা মণিপুরদনা য়াম্না হেল্লি। মসিনা মরম ওইদুনা চুম্না চৎকদবা গভর্ণমেন্ট অসিদা খুরৌ থাংবগী মচাক অমা ওইরি। অদুবু সী এম বিরেন লাকখিবদগীদি কোওপরেটিভ দিপার্টমেন্টদা রেজিষ্টর তৌবগী চাং য়াম্না হন্থরে। মরম অদুনা হীরমশিং অসিগী মতাংদা অখন্নবা থবক তৌনিংবগী অপাম্বসু লৈ। বেঙ্কিংগী কলচর অসিগী মতাংদসু করিগুম্বা খরা শেমদোক-শাজিন তৌদুনা হেন্না লৈবাক মীয়াম পূন্নমক নুংঙাই-য়াইফনা চাওখৎপা লমদম অমা ওইনা লৈবা ঙম্নবা থবক তৌবা পাম্বদগী পোলিটিক্সকী লম অসিদা চঙশিল্লকখিবনি। মীয়ামগী থবক চহী কয়াগী মমাংদগী পাঙথোক্তুনা লাক্লি। এসেমব্লি মীখলসু অহুল্লক থেংনখ্রে।

**ৱাহং :** হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসি অফবা লৈঙাক অমনি খনবিব্রা? এম এল এ খরা হন্দক দিসক্কালিফিকেসন তৌখিবা অদুগী মতাংদদি করি হায়বিনিংই।

পাউ : হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসি হৌখিবা লৈঙাকশিংগা য়েংনরুবা মতমদা য়াম্না অফবা লৈঙাক অমনি হায়না খল্লি। মসিগী মরম কয়া অমা লৈখ্রে। লো এন্দ ওর্দর ফরকপনা নুমীদাং ৱাইরম হেক য়ৌরকপদা মমা-মপা ওইবশিংনা পাখৎনরম্বদু ঙসিদি লৈত্রে। বন্দ-ব্লোকেদ অসুক্কি মতিক হন্থখ্রে। মমাংথক্তগী অশোয়বা কয়া লৈরম্বনা অশোইবশিং অদু খুদক্তা হেক্তা চুমথোকপা হায়বসিদি ৱাগনি। মরম অদুনা ইরমদম মণিপুরদা চাওনা অমুক্তা হেন্না অওনবা অমা পুরক্লবা অমদি লৈঙাক অসিনা মীয়ামগীদমক তৌগে খঞ্জরিবা থবকশিং অসি মপুং ফানা তৌবা ঙম্নবা এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক অসি মখা তানা লৈনবা ঐখোয় পূন্নমক্না হোৎনমিন্নবা চঙই। এম এল এ খরা দিসক্কালিফিকেসন তৌখিবা অসি য়াম্না লাইবক থীবনি। ঐখোয়গী সোসাইটি অসিদা পেঞ্জদবা খরা লৈ। সোসল ৱার্কর হায়বগী ৱাহন্থোক য়াম্না ফজবা ভেল্যু য়াম্না ৱাংবা পোৎশক অমনি। অদুবু ঙসিদি লমদম অসিদা ক্লবকী নৎত্রগা অতোপ্পা হীরমশিংদা খজিক মতেং পাংবদা মীশক অদুবু সোসল ৱার্কর অমনি হেক্তা হায়নৈ। সোসল ৱার্কর অমা হায়বসিদি অপাম-নুংশি, ইমুং-মনুংগী থাদোক্লগদবনি। শুপ্নগী মীয়ামগী অমদি লৈবাক্কীদমক কৎথোকপা অমগা লোয়ননা থবক তৌবা মীশক অদুবু অশেংবা সোসল ৱার্কর অমা হায়গনি। অদুবু লাইবক থীবদি অদুগুম্বা সোসল ৱার্কর অমা ওইবগী মতিক চাদবা মীওইশিং অদুনা ভোট লেপ্তুনা মীয়ামগী মীহুৎ ওইরকপা অসিনা অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি থোক্লকপনি হায়জনিংই। লৈবাক অসিগী অশেংবা সোসল ৱার্কর কয়া অমা লৈখ্রে। মখোয়শিংগী মনুংদা লৈখিদ্রবা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অটল বিহারি বাজপাইসু অমনি।

**ৱাহং :** লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদা করম্বা পার্টিদা মীরেপ ওইগদৌরিবগে? করি-করম্বা ইস্যুদা য়ূম্ফমদা মীখল লান্থেংনগে খনবিরি।

পাউ : বি জে পিগী টিকেটতা চপচানা মীরেপ অমা ওইরগনি। বি জে পিগী লুচিংবশিংনসু ঐঙোন্দা শোয়দনা টিকেট পীরক্কনি হায়বগী অচৌবা থাজবা লৈ। ঐনা বি জে পিগী টিকেট ফংগনি হায়বগী মরম কয়া অমসু লৈ। এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অমদা বি জে পিগী টিকেট তান্নবা ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট কয়া অমা থোক্লক্লিবসি পার্টি অসিগী অফবা খুদম অমনি। মসি পুন্নমক অসি বি জে পিগী লুচিংবশিংনা চহী কয়া ৱানা হোৎনজরকপগী মহয় অমনি। বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ সর্দানসু পার্টি অসিনা মশিং য়াম্না ভোট কানবা য়াম্না কন্না হোৎনবিরি হায়জনিংই।

**ৱাহং :** কুমজা ২০২২গী জেনরেল ইলেক্সনদা করিগুম্বা ভোট কারবদি ইহান-হান্না এ সী অসিগী মীয়ামগীদমক করি-করম্বা থবক তৌগনি?

পাউ : খুন্দ্রাকপম হায়রিবা ঐহাক্কী এ সী অসি এ সী ৬০গী মনুংদা অহানবা নম্বর ১ গী এ সী অমনি। ষ্টেট অসিগী এ সী ৬০গী মনুংদা ভিলেজ দবলিং চৎপা এ সী অসি খুন্দ্রাকপম খক্তনি। মসিনা মরম ওইদুনা চাওখৎ-থৌরাংগী থবক্তা অচৌবা অকায়বা পীবা অমদি রেভিন্যুগী থবক-থৌরমদা চাওনা অপনবা পীবা মরম্না অহানবদা ভিলেজ দবলিং চৎলিবা অসি শেমদোক্কনি। মণিপুরদা ৱিধান সভাগী মীখল হেক পাঙথোকপা হৌরকপদগী এ সী অসিদা পোকচবা মীওই ৪ খক এম এল এ ওইবা ঙমখি। অতৈ এম এল এ ১৪ অমদি ষ্টেট অসিগী তোঙান-তোঙানবা এ সীশিংদগী লাক্তুনা ভোট লেপখিবা ঙাক্তনি। মসিনা মরম ওইদুনা খুন্দ্রাকপম এ সী অসি অদুক্কী মতিক হীরম খুদিংদা শোত্থবা হায়বদু ওইরে। মসিগী চপচাবা খুদম হায়রগদি এ সী অসিদা ভিলেজ দবলিং চৎলি হায়বা ফাওবা খঙলমদনা লৈরি। খঙদোক্লবসু হোৎনদে, খঙদ্রবনিনা ভিলেজ দবলিং চৎলিবা অসি শেমদোক্লবসু হোৎনদ্রে। মরম অদুনা ভিলেজ দবলিং চৎলিবা অসি শোয়দনা শেমদোক্লবা হোৎনদুনা হেন্না এ সী অসিদা লৈরিবা খুঙ্গংশিং চাওখৎনবা হোৎনগনি। এ সী অসি এদ্যুকেসন, লম্বী-থোং, হেল্থ সেন্টর অমদি মীয়ামগী পুন্সি মহিং অসুক্কী মতিক ফীভম শোক্না লৈরিবশিং অসি ফগৎনবা হোৎনগনি। অচৌবা তুরেলশিং লৈনা-লৈনা থক্লনবা অফবা ঈশিং ফংদনা লৈরিবসিসু মীয়ামদা ফংহন্নবা থবক পায়খৎকনি। হৌখিবা এম এল এশিংনা এ সী অসিগী পাঙ্গৈ হায়রিবা ফেসিলিটি পূন্নমক লৈরবা মফম অসিবু ম্যুনিসিপালিটি ওন্থোক্লবা হোৎনবিরমদ্রিবা অসি ওন্থোক্লবা হোৎনবগা লোয়ননা এ সী অসিগী ম্যুনিসিপালিটিগী থাক্তা পুখৎপা য়াবা মফমশিংসু পুখৎনবা হোৎনগনি। এ সী অসিদগী ঙসি ফাওবা কেবিনেট মিনিষ্টর অমা ফাওবা লৈখিদ্রি। মরম অদুনা খুন্দ্রাকপম এ সীগী মীয়াম্না এ সী অসিদা পোকচবা মীহুৎ অমা শোয়দনা থাগৎপা পাম্নরে। ঐহাক্কী মীখলগী স্লোগানদি সেভ খুন্দ্রাকপম, সেভ মণিপুর হায়বা অসিনি। খুন্দ্রাকপম এ সীদগীনি হায়বদা ইকায়বা ফাওনরিবা অসি ফাওহন্দনবা থবক তৌগা।

**ৱাহং :** নিংতম্বা ফংলবা মতুং শাংলবা চহী ৭৫ শুরক্লবা ফাওবদা অতৈ ষ্টেটশিংগা য়েংনরুবদা ঐখোয়গী ষ্টেট অসিনা য়াম্না শোৎথনা লৈরিবগী অচৌবা মরম করিনা ওইরম্বা য়াই?

পাউ : মতম-মতমগী লৈরিবা গভর্ণমেন্টশিংনা অমদি লৈখিবা এম পিশিংনা তুমিন্না লৈরম্বনা ইরমদম চাওখৎপা থীন্থনা লৈরম্বনি হায়জনিংই। অদুবু বি জে পি লৈঙাক হেক লাকখিবদগী ষ্টেট অসিগী এম পিশিংনা লমদম অসিগী অৱাৎ-অপা তঙাইফদবা রাইটশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া পার্লিয়মেন্টদা পুখৎপা হৌরে। মসিমক ঐখোয় পূন্নমক্কী য়াম্না অফবা খুদম অমনি। অফবদা লমজেল তান্নবগী মহুৎতা ফৎতবরোমদনা হেন্না লমজেল তান্নবগী চৎনবী অমা লৈরম্বা অসিনসু শোত্থনা লৈরম্বনি। অদুবু এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক অসি হেক লাকখিবদগীদি অচৌবা অহোংবা কয়া পুরকপা ঙম্লে হায়বা ৱাফম থমজগে।

**ৱাহং :** অদোমগী এদ্যুকেসনদি কদাই ফাওবা লোইশিনবিখ্রবগে? ইমা-পাবুংগী মীংনা করি কৌবগে?

পাউ : পী য়ু সীগী এগজাম হায়দোক্ত্রিঙৈগী মরক্তা এস ওগী দিপ্লোমা কোর্সসু তৌখি। মদুগী মতুংদা মদ্রাজ য়ুনিভর্সিটিগী মখাদা বি টেক সিভিল ইঞ্জিনিয়রিং লোইশিনখি। ঐহাক্কী অপোকপা লৈখিদ্রে, মহাক্কী মমিং ইরোম নবদিপ কৌই অদুগা অপোকপগী মীংনা ইরোম ওংবি তোম্বিমচা কৌই।

**ৱাহং :** এসেমব্লি কন্সটিট্যুন্সি অসিগী অপুনবা ভোটর মশিং অমদি পোল্লিং ষ্টেসন কয়ানো? নন মণিপুরী ভোটরদি লৈব্রা?

পাউ: এ সী অসিগী অপুনবা ভোটর লিশিং ২৬ হেন্না লৈ। পোল্লিং ষ্টেসননা ৪১ লৈ। নন মণিপুরী ভোটরদি লৈতে।

**ৱাহং :** পোলিটিসিয়নশিংনা ভোট কারবা মতুংদা থবক কয়া তৌগনি হায়নৈ অমদি পার্টিশিংগী মেনিফেষ্টোদা ইনৈ-ফোঙনৈ, অদুবু মপুং ফানা চাদা ৭০/৮০দি পাঙথোক্তে হায়নরি। সোমদি এ সী অসিগী তৌগে খল্লিবা থবকশিং অসি মপুং ফানা তৌবা ঙমগনি খনবিব্রা?

পাউ : পোলিটিক্স তৌবা পোলিটিসিয়নশিংগী মরক্তা অদুমক থবক তৌবগী চাং অমদি ৱাখল্লোল অদুমক খেন্নগনি। পোলিটিসিয়ন খরনা থবক তৌদ্রগা পোলিটিসিয়ন খুদিংমক থবক তৌদে হায়বদি লানগনি। মীয়াম্না হায়নরিবা ৱাফম অসিসু লানবদি নত্তে। পার্টি অমগী মখাদা থবক ফজনা তৌরকপা পোলিটিসিয়নশিংদি মীয়ামগী থবক য়াম্না ফজনা অদুমক তৌই। বি জে পিনা লৈবাক্কী ওইবা ইস্যু কয়া কোকহনবা ঙমখ্রে। মীয়াম্না নুংশিবিদুনা মীহুৎ অমা ওইহনবিরবদি এ সী অসিগী তৌগে হায়রিবা থবকশিং চপচানা থবক তৌগনি। ঐনা এ সী অসিগী তৌগদবা থবকশিংগী রোদ মেপ ফাওবা য়াৎপা লোইরে। লোয়ননা এসেমব্লিদা এ সী অসিগী অৱাৎ-অপা কয়া পুখৎতুনা অমদি ইমা লৈবাক্কী থবক-থৌরমশিং কয়া শোয়দনা চপচানা পাঙথোক্কনি।

**ৱাহং :** পোলিটিক্স তৌবা পোলিটিসিয়ানশিং মীয়াম্না ফনা ইঙাঙ ঙাঙনদে। মীয়াম্না ফনা ঙাঙনদ্রিবা লম্বী অসিদা চঙশিনগে খল্লিবসি করি মরম লৈবননো?

পাউ : পোলিটিসিনয়ন অমা ওইরগা মীয়ামগী থবক তৌবা অমদি সোসল ৱার্কর অমা ওইনা মীয়ামগী থবক তৌবা হায়বসিদা য়াম্না খেন্নবা লৈ। ভোট লেপ্লিবা মীওইশিংগী মরক্তা মখল অনী থোক্লা য়েংবা অমনা মশাগী লন-থুম লেপশিনগে, পৰার পায়রগা মানা-মানা পাম্বা থবকশিং তৌগে হায়বা অদুগা অতোপ্পা অমনা লৈবাক্কীদমক অমদি মীয়ামগীদমক কৎথোকপা অমগা লোয়ননা থবক তৌরমগে হায়বা অসিনি। অদুবু লাইবক থীবদি লমদম অসিদদি মশাগী ওইনা হেন্না খনবা মীওইশিংনা মশিং য়ামখ্রে। ঐগী ওইনদি মীয়ামগী ওইনা করিগুম্বা এ সী অসিগী অমদি ইমা লৈবাক মণিপুরগী থবক খরা তৌরমগে হায়না পোলিটিক্সতা চঙলকখিবনি।

**ৱাহং :** করসপন চাওনা লৈরে পূন্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। অদুবু করপসনগী মায়োক্তা লেপ্পদি কনা অমত্তনা ঙমদ্রি হায়বা য়াই। করপসন মপুং ফানা মুথৎপা ঙমদ্রবা মকসু খরা খজিক্তং ওইরবসু করি তৌরগদি হন্থহনবা ঙমগনি হায়না খনবিবগে?

পাউ : করপসন মাঙহনসি হায়রগদি ইশা-ইশাদগী হান্না হৌবা অমা চঙই। করপসন তৌদুনা মচা থবক তৌরবসু লৌনম তৌদুনা ঐগী ইচাগী থবক তৌবদা শেল অমত্তা চঙদে হায়নদবসু য়াওদবা নত্তে। শেল পীরগা থবক তৌরিবা মীওই অদুসু ঐদি থবক তৌখিবদা শেল অমত্তা চঙখিদে অদুমক হায়নৈ। হায়জ নিংলিবদি ঐখোয় পূন্নমক, লৈঙাকপশিং অমদি লৈঙাক্কী ফমদোন-ফম্নাইবশিংনা পুকচেল শেংনা থবক তৌবা অমা চঙই। এন্টি করপসন সেল হাংদুনসু করিমত্তা কান্নরোই, ঐ-ঐ হান্না পুকচেল শেংবা অমা মথৌ তাই।

**ৱাহং :** লৈবাক অসিদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী মায়োক্তা নুপীগী লুপশিং, সী এস ওশিং, মহৈরোয় লুপশিং অমদি লৈঙাক্লা থবক তৌদুনা লাক্লি। অদুবু ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাবা-য়োনবা হন্থরকপগী মহুৎতা হেন্নদুম য়াম্না লায়না থোঙ্গাল-থোঙ্গালদা ফংনরকপগুম তৌরে। মসিগী মরম করিনা ওইরম্বা য়াবগে?

পাউ : মসিগী মরম কয়া অমা লৈখ্রে। অদুবু মরুওইবা মরম খরা হায়বা তারগদি হিংনবগী লম্বী ৱাৎশিল্লকপা, শেন্থোক লম্বীদি লৈহৌদনা য়ুম পানশিল্লুবদগী হিংদবদি য়াদবনিনা য়াম্না লাইনা-কোম্না শেল তান্নবগী লম্বী থীনরকপা অমদি মতমগী হোংলক্লিবা পুন্সি মহিং অসিদা মীমান্ননা হিংবা ঙম্নবা হোৎনবদা অতেনবা মতমদা নুংঙাইবা পাম্বা মরম্না অয়াম্বনি। লোয়ননা ভোটকী মতমদা সেল্ফ হেল্প গ্রুপ হায়না গ্রুপ কয়া শেমহন্দুনা লুচিংবশিংনা বেঙ্কশিংদগী শেল ফংহল্লি। অদুবু বেঙ্কদগী থাদখ্রিবা শেনফমশিং অদু ফজনা শীজিন্নরিব্রা হায়বসু য়েংশিন্দ্রে। মদুনা শেলদি শিংদবদি য়াদবনিনা অকোম্বা লম্বীদা শেল তান্নবগী লম্বী থীনরকই। মরম অদুনা লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চিঞ্জাক থিংসি হায়রগদি লৈঙাক্লা পোলিসি কয়া শেম্বা মথৌ তাই। লমদম অসিগী নুপীশিংদা শেন্থোক লম্বী লৈহনসি হায়রবদি মপান্দগী পুশিল্লক্লিবা সেকেন্দ হেন্দগী পোৎলমশিং অসি পুশিল্লকপা থীংবা অমা য়াম্না মথৌ তারে। মসিনা মরম ওইদুনা লমদম অসিগী নুপীশিংনা শাজরিবা পোৎলমশিং লৈবিনবা লৈত্রে। মরম অদুনা গভর্ণমেন্টনা পোলিসি কয়া শেমদুনা মীওই খুদিংমক্কী হিংনবগী লম্বী পীনবা হোৎনরবা মতমদতা ময়াই কাবা চিঞ্জাক ললোল্লিবা অসি মাঙহনবা ঙমগনি।

**ৱাহং :** থবক ফংদ্রিবা নহাশিংগীদমক করি-করম্বা থৌরাং-থৌশিল পায়খৎলবদি অনইমপ্লোয়মেন্টগী প্রোব্লেম হন্থহনবা ঙমগনি হায়না খনবিবগে?

পাউ : ইমপ্লোয়মেন্ট একচেঞ্জদা থবক ফংদবা নহা লাক্ষ মঙা হেন্না লৈরি। ইমপ্লোয়মেন্ট একচেঞ্জদা মীং চন্দবা কয়া অমা লৈরিবনি। লমদম অসিদগী অনইমপ্লোয়মেন্টগী প্রোব্লেম কোকহনসি হায়রবদি তোঙান-তোঙানবা সেক্টরশিংদা লৈঙাক্লা থৌরাং-থৌশিল কয়া পায়খৎলগা মখোয়না তৌজনিংলিবা থবকশিংদা য়াম্না অরায়বা মওংদা শেলগী মতেং ফংহনবা অমসু মথৌ তারি। থবক হায়বসি লৈঙাক্কী থবক তৌবা অদু খক্তনা থবক নত্তে। অতোপ্পা শেন্থোক লম্বী লৈনবা লম্বী কয়া অমা লৈরি। মীয়াম্নসু লোন লৌরগা লোটরি ফাওবগুম খন্নরিবা ৱাখল্লোল অসিসু থাদোকপা ফৈ। লমদম অসিদগী শিখ্রবা ফেক্টরিশিং হিংগৎহন্নবা হোৎনবা মথৌ তাই। লোয়ননা অনৌবা মতমগা চুনবা কম্পনি অমদি ফেক্টরিশিং লিংখৎপা চঙই। লমদম অসিগী মীওইশিংনসু ওফিসকী থবক্তবু ওইরো অমদি নোংমগী চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিংবু ওইরো লমদম অসিদা থোকপা-শাজবা পোৎলমশিং শীজিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী মীৎয়েং মখাদা অনইমপ্লোয়মেন্টগী লৈরিবা প্রোব্লেম অসি ফনা য়াম্না কোকহনবা ঙল্লগনি হায়বগী থাজবসু লৈ।

**ৱাহং :** ইন্দিয়াগী পোলিটিক্সতা করি-করম্বা শেমদোকহন্নিংবা অমদি হোংদোকহন্নিংবা ৱাফমগদি লৈব্রা? করিগুম্বা লৈরগদি হায়বিয়ু।

পাউ: ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা ১৮৫ এমেমেন্দ তৌখ্রে। অমেরিকাদদি শুপ্নগী ১৫ খক তৌখ্রে। কন্সটিট্যুসনগী এক্সপার্ট অমা নৎত্রবসু মতাং অসিদা হায়জ নিংলিবা ৱাফমদি কন্সটিট্যুসনদা হান্নদগী য়াওরদুনা চৎনদুনা লাক্লবনি হায়রবসু মতম-মতমগী চান্নবা-চুনবা মওংদা শেমদোক-শাদোকহন্নিংই। বি জে পি লৈঙাক্লা মীয়ামগী য়াইফনবা লো শেম্বদা মীয়াম্না পামদবদগী অদুমক হন্দোকখিবগী থৌদোক লৈখ্রে। মসিনা তাকপদি বি জে পিগী লৈঙাক অসি মীয়ামগী থবক তৌবা অমদি মীয়ামগী পুক্নিংগী ইহুল খঙনা থবক তৌবা লৈঙাক অমনি হায়জনিংই। লোয়ননা হৌখিবনা হৌখ্রবসু লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদদি ভোট লেপ্লিবা মীওইশিং কন্সটিট্যুসন মশক খঙবা, ঐগী হায়বা ৱাফম্না তুংদা থল্লগা লৈবাক্কীনা মাং থানা খনবা ঙম্বা অমদি লৈবাক মীয়ামগী ইহুল খঙনা থবক তৌবা ঙমগদবা মীওইশিং খনসি। রাজনিতি তৌদনা রাগনিতি তৌবা মীওইশিং খল্লোইসি হায়বা ৱাফম থমজগে।